# ম্যানমারদা মুস্লিম লালহৌবশিংনা পুলিস পোষ্টশিংদা চাউনা লান্দাখ্রে, মিলিটেন্টশিং, পুলিস য়াওনা ৭১ শিখ্রে



য়াঙ্গোন, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সী) :

ঙসি ম্যানমারগী অৱাং থংবা রাখিনে ষ্টেটতা রোহিংয়া মুস্লিম মিলিটেন্টশিংনা বোর্দরগী পুলিস পোষ্ট ৩০ অমসুং আর্মি বেজ অমদা শিন্নদুনা এটেকশিং চথখ্রে অমসুং য়ামদ্রবদা মুস্লিম মিলিটেন্ট ৫৯ অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মেম্বর ১২ শিখ্রে হায়না আর্মি অমসুং গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

মফম খরদা মখা তানা খূৎ থোক্লবগী পাউদমশিং লৈরিবা ইরাই নুমিৎকী লাল অসি হৌখিবা চহীগী ওক্টোবরদগী নোর্থ ৱেষ্টর্ন ষ্টেট অদুদা লৈরকখিবা মুক্লবগী ফিভম হেনগৎলকপগী থৌওং অমনি হায়না লৌনরি।

হৌখিবা ওক্টোবরদা পাঙথোকখিবা মান্নবা এটেকশিংগী পাউখুম ওইনা ম্যানমার গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী লমদম অদুদা লান্মীগী অচৌবা ওপরেসন অমা পাঙথোকখি। লালহৌবশিং তকথোক্লবগী পান্দমদা চথখিবা ওপরেসন অদু মীওইবগী হকশিং খোঙ্গাওনবগী থৌদোকশিংনা অচৌবা ৱাথোক অমা ওইখি।

হান্না হরাকাহ অল-য়কিন হায়না খঙনরম্বা অরাকান রোহিংয়া সালভেসন আর্মি (এআরএসএ) হায়বা গ্রুপ অমনা অয়ুক অঙনবগী লান্দাশিং অদু মখোয়গী খূৎনি হায়না ক্লেম তৌখি অমসুং মখা তানা অদুগুম্বা লান্দাশিং পাঙথোকখিবনি হায়বগী চেকশিনৱা ফোঙদোকখি।

লিশাং শিৎনা মিলিটরি লৈঙাক লৈরম্বা ম্যানমারনা ডেমোক্রেটিক লৈঙাক লৈহন্নবা হোৎনরকপদা মুস্লিম রোহিংয়া মিলিয়ন ১.১ গী ট্রিটমেন্টকী ৱাফম অসি বুদ্ধিষ্টশিংনা মশিং য়াম্বা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাথোক ওইরবা হ্যুমেন রাইটসকী ইসূ অমা ওইরকখি।

হৌজিক ম্যানমারদা হেন্না হেন্না চাউখৎলক্লিবা লালহৌবগী ঈরাং অমা থাঙ্গৈশেংনা লৈবগী মওং উরে হায়না ওবজর্ভরশিংনা ফোঙদোক্লরি।

হৌখিবা ওক্টোবরদা পাঙথোকখিবা এটেকশিং অদুদগী য়াম্না হেন্না চাউবা অমসুং ওর্গনাইজ তৌবা এটেকশিং অদুনা আর্মিগী মায়কৈদগী হেন্না শাথীবা পাউখুমশিং পীরক্কদ্রা অমসুং মুস্লিমশিং অমসুং ইথনিক বুদ্ধিষ্ট রাখিনেশিংগী মরক্তা কাঙলূপকী শাথীবা ঈরাং অমা লাকহনগদ্রা হায়বগী অকিবশিং লাকখি।

নেস্নেল লীদর ওং সান সু চিগী ওফিসতা এফিলিয়েট তৌবা ন্যুজ টিম অমনা হায়খি মদুদি, ঙসি অয়ুক্কী শাথীরবা লাল অদুদা লান্মী অমা, ইম্মিগ্রেসন ওফিসর অমা, পুলিসমেন ১০ অমসুং লালহৌবা ৫৯ শিখ্রে।

নোংয়াই মতুং পূং ১ তাবা অয়ুক অঙনবদা কা হেনবা লীচৎ চৎপা বেঙ্গোলি লালহৌবশিংনা পুলিস পোষ্টশিংদা মখোয়না শাজবা বোমশিং অমসুং নোংমৈ মচাশিং শীজিন্নরগা এটেক তৌবা হৌখি হায়না আর্মিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা রোহিংয়া কাঙলূপপু বাংলাদেশতগী লোনা য়াদবা মওংদা চেনশিল্লকখিবশিংনি হায়বগী ইঙ্গিৎকা লোয়ননা ফোঙদোকখি। মিলিটেন্টশিং অদুনা চৈ-লাংশিং অমসুং থাঙশাংশিং শীজিন্নখি অমসুং এক্সপ্লোসিভশিং শীজিন্নদুনা থোং কয়া থুগায়খি হায়নসু আর্মিনা ফোঙদোকখি।

রোহিংয়া কাঙলূপকী মীওইশিংবু সিটিজেনসিপ পীদবগা লোয়ননা ম্যানমারদা মখোয়বু বাংলাদেশতগী লাকপা লোনা য়াদবা ইম্মিগ্রেন্টশিংনি লৌনদুনা লাকখি। অমরোমদা কাঙলূপ অসিগী মীওইশিংনদি মখোয় চহী চা কয়া লমদম অদুদা লৈরক্লবা রাখিনেগী অশেংবা য়েলহৌমীশিংনি হায়না ক্লেম তৌরি।

# চেঙগী ৱাথোক্তা চেন্নবা হান্নগী থাই মিনিষ্টর চহী ৪২ জেলদা থম্নবগী রুলিং পীখ্রে

বেঙ্কোক, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সী):

থাইলেন্দ অমসুং চাইনাগী মরক্তা লৈখিবা গভর্নমেন্ট মশেলগী চেঙগী দিল অমদা অরান-অহুই কয়া তৌবগী মরাল লৈরম্লবা থাইলেন্দগী হান্নগী কম্মর্স মিনিষ্টর অমা বেঙ্কোক্কী কোর্ট অমনা ইরাই নুমিৎতা চহী ৪২ জেলদা থম্নবগী ৱায়েল পীখ্রে।

চপ মান্নবা চেঙগী স্কিমগী মতাংদা থাইলেন্দগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর য়িংলুক সিনাৱাত্রাগী মায়োক্তা থাঙ্গৎখিবা নেগ্লিজেন্সকী কেস অমদা ৱায়েল পীবগা মরী লৈননা সিনাৱাত্রানা সুপ্রিম কোর্টতা লাকখিদ্রবা মতুংদা বেঙ্কোক্কী কোর্ট অদুনা হান্নগী কম্মর্স মিনিষ্টরগী মায়োক্তা ৱায়েল অসি পীখিবনি। ৱাথোক ওইরবা চেঙগী স্কিম অদু য়িংলুক সিনাৱাত্রাগী গভর্নমেন্টনা হৌখিবা ২০১১ দা হৌদোকখিবনি।

কুমজা ২০১৪ দা মিলিটরি কূ অমা পাঙথোক্তুনা মফমদগী চিংথুখিবা য়িংলুক্কা নকশিন্নবা সোর্ছশিংনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখিবদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অদু থাইলেণ্ডদগী চেনখ্রে হায়খি। সুপ্রিম কোর্টনা ইরাই নুমিৎতা য়িংলুকপু ফানবগীদমক্তা এরেষ্ট ৱারেন্ট অমা ইসূ তৌখি।



ভর্দিক্ট অদু লাউথোক্লদুনা জজ অমনা বূনসোংবু চহী ৪২ জেলদা থম্নগী চৈরাক পীরে হায়খি। থাইলেন্দগী এন্টি-করপসন কম্মিসননা হায়খি মদুদি, বূনসোংনা লাউথোকখিবা দিলশিং অদুনা ষ্টেটপু চাউনা মাঙহনখি অমসুং লোকেল মার্কেটশিংদা চেঙ য়োনখি হায়না য়িংলুপ গভর্নমেন্টনা ক্লেম তৌখিবগুম মপানদা থাদোকখিদে।

# সেমসংগী মকোক লী ৱানোমশেন পীরম্বগীদমক্তা চহী ৫ জেলদা থম্নবা কোর্টনা ওর্দর তৌখ্রে

সিওল, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সী) :

সাউথ কোরিয়াগী সেমসং গ্রুপকী মকোক ওইরিবা বিলিনিয়র জে ৱাই লী জোনা য়াদবা মওংদা শেল পীজবগী ৱাথোক্কী কেসকা মরী লৈননা চহী মঙা জেলদা থম্নবা কোর্টনা ইরাই নুমিৎতা ওর্দর তৌখ্রে। মমাঙগী প্রসিদেন্ট মফম তাহনখিবা ৱাথোক অমগী মতাংদা থা তরুক ৱায়েল চথরকখিবা মতুংদা সেমসং গ্রুপকী মকোক অসি চহী মঙা জেলদা লৈনবগী চৈরাক ফংহনখিবনি।

সিওলগী কোর্ট অমনা তাখিবা মরুওইবা ৱারেপ অমগী মতুংইন্না সাউথ কোরিয়াগী মমাঙগী প্রসিদেন্ট পার্ক গ্যুন-হয়েদগী ওইজ-ওইথক খরা ফংনবগীদমক্তা লীনা ৱানোমশেল চাউনা পীখি। কোর্টনা ৱায়েল চথবদুদা মহাক মপানদা এসেটশিং লোৎপা, ফন্দ লান্না শীজিন্নবা অমসুং কোর্টতা অরানবা ষ্টেটমেন্টশিং পীবগী মরালশিংসু লৈরমখি হায়রি।

মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা কোরপোরেট এম্পায়রশিংগী মনুংদা অমগী মকোক ওইরিবা মশাগী চহী ৪৯ শুরবা লী সেমসং ইলেক্ট্রোনিক্স পায়রিবা কোংগ্লোম্মরেট অমা কন্ট্রোল তৌবা ঙম্নবগী মতেং ফংনবা পার্কতা ৱানোমশেল পীখিবগী মরালদা হৌখিবা ফেব্রুৱারিদগী ফাজিন্দুনা থল্লকখি। সেমসং ইলেক্ট্রোনিক্স অসি মালেমগী মাঙজিল থারিবা স্মার্টফোন অমসুং চিপ শাবা কম্পনি অমনি। কম্পনি অসিগী ইন্টরেষ্টশিংদা দ্রগস অমসুং হোম এপ্লাইঅন্সশিংদগীনা ইন্সুরেন্স অমসুং হোটেলশিংসু য়াওরি।



লোৱর কোর্টকী রুলিং অদুগী মায়োক্তা অপীল তৌগনি হায়না মহাক্কী লোয়রশিংগী মনুংদা সেং রু-চিওল কৌবা অমনা ফোঙদোকখি।

রুলিং পূম্বদু য়ানিঙাই ওইদে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা সোংনা হায়খি, মহাক্কী ক্লাইঅন্টকী মরাল লৈতে হায়বসি হায়র কোর্টকী ৱারেপ অমদগী পূম্নমক্কা খঙলগনি।

সাউথ কোরিয়াগী লোগী মখাদা চহী অহুমদগী হেনবা জেল টার্মশিং চৎনহন্দবা ঙমদে। চহী মঙা চুপ্পা জেলদা লৈহন্নবগী চৈরাক পীবা হায়বসি সাউথ কোরিয়াগী বিজনেস লীদর অমদা পীবা খ্বাইদগী শাংবা জেল টার্মসনি।

সিওল সেন্ট্রেল ডিষ্ট্রিক্ট কোর্টনা হায়খি মদুদি, পার্ককী খ্বাইদগী নক্লবা ফ্রেন্দ ওইরিবা চোই সূন-সিলনা শৌগৎখিবা এন্টিটি কয়াদা সেমসংনা শেলগী মতেংশিং পীবা হায়বসি ৱানোমশেল পীবনি হায়না লৌগনি। মদুদা চোইগী মচানুপীগী কেরিয়র শেম্বদা ৱন বিলিয়ন ৭.২ (দোলর মিলিয়ন ৬.৪) গী শেনফম অমা পীবসু য়াওখি।

শেলগী তেংবাংশিং অদুগীদমক্তা সেমসংনা কুমজা ২০১৫ দা ৱাথোক ওইনিঙাই ওইবা মওংদা মসিগী এফিলিয়েটশিংবু অমৎতা ওইনা পূনশিনহনবদা গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী অয়াবা পীহনখি। মদুনা লীবু কোংগ্লোম্মরেট অদু কন্ট্রোল তৌবদা মতেং পাংখি হায়না প্রোসিক্যুটরশিংনা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী লোয়রশিংনদি এফিলিয়েটশিং পূনশিন্নরিবদু বিজনেসকী মেরিটশিংদা য়ূম্ফম ওইরগনি হায়খি। তৌইগুম্বসুং কোর্টনদি মদু য়াখিদে। নমদুনা ওফিস থাদোকহনখিবা হান্নগী প্রসিদেন্ট পার্কসু মশাগী শেঞ্জা-থুমজাগী ট্রাইঅল অমা মায়োক্লরিবনি। চহী অসিগী অথেংবদা মদুগী রুলিং পীবা য়াই হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি।

# অফঘানিষ্টানদা ইন্দিয়ানা পায়খৎলিবা শেন-থুমগী থবক থৌরমশিংনা পাকিষ্টানদা কিহনবা লৈতে : য়ু এস

ৱাশিংটন, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সী):

ইন্দিয়ানা অফঘানিষ্টানদা পায়খৎ-লিবা শেন-থুমগী থবক থৌরমশিংনা পাকিষ্টানদা হকথেংননা অকিবা পোকহনবা লৈতে হায়না য়ু এসকী সিনিয়র ওফিসল অমনা হায়খ্রে। লমদম অদুদা কাউন্টর-টেররিজমগী পান্দমশিং ফংবা ঙম্নবা ইস্লামাবাদনা অমেরিকাগা কোওপরেসন পীনদুনা কান্নদবা লমচৎ শাজৎ খরা হোং-দোকপগী তঙাইফদবা লৈ।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা অফঘানিষ্টানদা পিছ পুরকপদা হেন্না চাউবা থৌদাং লৌগদবনি হায়না ফোঙদোকখি। ৱাফম অসি ফোঙ-দোকপগা লোয়ননা মহাক্না নিংথৌকাবা নুমিৎতা মহাক্কী অফঘানিষ্টান অমসুং সাউথ কোরিয়াগী পোলিসি লাউ-থোকপদুদা লৈবাক অদুদগী হাথু-হাথু ট্রুপশিং লৌথোকপগী ৱাফম লৈতে হায়খি।



ট্রম্পনা হায়খি মদুদি, মহাক্কী সাউথ এসিয়া পোলিসিগী য়াম্না মরুওইবা শরুক অমদি অমেরিকাগা ইন্দিয়াগা মখা তানা ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরসিপকী মরী হেনগৎহনবনি। টেররিষ্টশিংবু খুদোংথীবা থোক্লোইদবা মওংদা চঙজফম পীবগীদমক্তা মহাক্না পাকিষ্টানদা অকনবা মওংদা চেকশিনৱাসু পীখি।

অফঘানিষ্টানদা ইন্দিয়ানা লৌরিবা থৌদাং ঐখোয়না থাগৎলি। ইন্দিয়াগী থবকশিং পুক্নিং থৌগৎনিঙাইনি। মখোয়না চাওখৎ খোঙথাং ওইবা প্রোজেক্টশিং পায়খৎলি। মখোয়না অফঘানিষ্টানদা য়ু এস দোলর বিলিয়ন অহুমগী তেংবাংশিং পীখ্রে। য়ু এসনা মদুবু থাগৎলি অমসুং মখা চথহনবা পামই। তৌইগুম্বসুং ইন্দিয়ানা লৌরিবা অসিগুম্বা থৌদাংনা পাকিষ্টানদা হকথেংননা কিহনবা লৈতে হায়নসু ঐখোয়না লৌই হায়না মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা হ্বাইট হাউসকী ওফিসল অমনা হায়খি।

ট্রম্পনা মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসনগী সাউথ এসিয়াদা চৎনগদবা ষ্ট্রেটেজি লাউথোকখিবা মতুংদা পাকিষ্টানগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবা ক্রিটিসিজমগী ৱারোলগী মতাংদা হংবদা হ্বাইট হাউসকী ওফিসল অমনা হায়খি, পাকিষ্টানগী মতাংদা চৎনহন্নবা য়ু এসনা খন্নরিবা খোঙথাংশিং অদুগী মরমদা মহাক্লা হায়বা পামদে।

পাকিষ্টানদা নীংবা কায়বগী মওং খরা লৈ। পাকিষ্টাননা মতাং অসিদা থাঙ্গৈশেংনা খনগদবা লৈ হায়বসিদং ঐখোয়না খঙহনবা পামই। লৈবাক অসিনা য়ু এসতা কোওপরেসন পীবা অমসুং কান্ননিঙাই ওইদবা লমচৎ-শাজৎ খরা থাদোকপা হায়বসি ইস্লামাবাদনা খনবা য়াবা অমনি। মসিমক মখোয়গীসু অফবা ওইগদৌরিবনি। পাকিষ্টানিশিংগী পুন্সিদা হেন্না অৱাবা ওইহন্নবগীদমক্তা য়ু এসনা অকনবা খোঙথাংশিং লৌখৎপা নৎতে হায়না ওফিসল অদুনা ইরাই নুমিৎতা হায়খি। অসিগুম্বা খোঙথাং অসি অফঘানিষ্টানদা ইং-চিকপা অমসুং মরা চেৎপা ফিভম লাকহন্নবগীদমক্তনি। মসিনা পাকিষ্টানবুসু কান্নহনগনি হায়না ওফিসল অদুনা মখা তাখি।

# য়ু এসনা টালিবানদা খূৎলাই থাদোক্নবা অপীল তৌখ্রে



ৱাশিংটন, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সী) :

অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা য়ু এসকী মকোক থোংবা মিলিটরি ওফিসল জেনরেল জোন নিকোলসন অমসুং য়ু এসকী এম্বেসেদর হ্যুগো লোরেন্সনা মতম শাংলক্লবা অফঘান লাল লোই-শিন্নবা টালিবানদা খূৎলাই থাদোক্নবা শগোলশেন নুমিৎতা অপীল তৌখ্রে।

অফঘানিষ্টানগী মতাংদা অমেরিকানা পুথোরক্লিবা অচৌবা লাল্লোংগী মায়োক্তা লালহৌবশিংনা মায় পাকপা হায়বসি ওইথোক্কদবা মান্দে হায়না য়ু এসকী ফোর্সশিং অমসুং নেটোগী কম্মান্দর জেনরেল নিকোলসননা কাবুলদা লোরেন্সকা লোয়ননা শরুক য়াখিবা জোইন্ট প্রেস কনফরেন্স অমদা হায়খি। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অথেংবদা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা অফঘান লাল অদুদা য়ু এসনা পনখৈ থমদনা চেন্নবগী অচেৎপা ৱারেপ অমা ফোঙদোকখি। মহাক্কী ৱারেপ অদুদা লালনা ফিভম শোকহল্লবা লৈবাক অদুদা অহেনবা ট্রুপশিং থাজিনবগী ৱাফম য়াওখি।

জেনরেল নিকোলসননা টালিবানবু দ্রগশিং অমসুং মী ফাবদগী শেল তান্নবা হোৎনবদা থৱায় য়াওবা 'ক্রিমিনেল ওর্গনাইজেসন অমনি হায়না ফোঙদোকখি। অফঘানিষ্টানগী অপূনবা মীশিংগী চাদা ৯০ না টালিবানগী লৈঙাক অমুক হল্লকপা হায়বসি লৈবাক অদুগী ওইনা অফবা ওইরোই হায়না থাজনৈ হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি। টালিবাননা ইচম চম্না হেক্তা খনগদবা অমা লৈ। মদুদি লৈবাক মীয়ামগী মায়োক্তা লাল তৌবা লেপ্পনি। মরাল লৈজদবা মীচমশিংবু হাৎপা লেপ্পু। অৱাবা অমসুং মীশি-মীনা থোকহনবা লেপ্পু হায়না নিকোলসননা অপীল তৌখি।

ন্যুজ কনফরেন্স অদুদা শরুক য়ারিবা এম্বেসেদর লোরেন্সনা হায়খি, অফঘানিষ্টানদা শোক্নরিবা লাল অদু লোইশিন্নবা ঐখোয়না টালিবানদা অফঘান গভর্নমেন্টকা পিছ প্রোস্লেম চৎথবা য়ানবা প্রেসর পীগদবনি।

ট্রম্পনা লাউথোকখিবদুগী মতুংদা টালিবাননা য়ু এসতা চেকশিনৱা পীরদুনা হায়খি মদুদি করিগুম্বা য়ু এসনা মসিগী ট্রুপশিং হন্দোক্তবা তারবদি অফঘানিষ্টান অসি অমেরিকান এম্পায়রগী ২১ শুবা চহীচাগী মোংফম ওইরক্লগনি।

লান্মী ৪,০০০ রোম ওইবা য়াবা অনৌবা ট্রুপশিং অদুবু ডিপ্লোই তৌবা হায়বসি লৈবাক অদুদা হান্নদগী লৈরক্লবা য়ু এসকী লান্মী মশিং ৮,৪০০ অদুদা হাপচিনগদৌরিবনি।

ট্রম্পকী ৱারেপ অসি হান্নগী প্রসিদেন্ট ওবামাগী এদমিনিষ্ট্রেসন (২০০৯-২০১৭) গী পোলিসি পূংহোং হোংবনি হায়না লৌনরি। ওবামা এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওইনদি কুমজা ২০১০ দা লান্মী ১০০,০০০ রোম ডিপ্লোইদ তৌখিবা মতুংদা তাঙ্কক নাইনা ট্রুপশিং হন্দোক্লবগী ৱারেপ অমা লৌখি।

নিকোলসন অমসুং লোরেন্স অনীমক্না পাকিষ্টানদা লৈবাক অসিগী টেরিটরিদা টালিবানবু চঙজফম পীবা লেপ্পবা তকশিনখি।

পাকিষ্টানগা ৱারী শানবা হায়বসি প্রাইভেট ওইনা চথগনি, তশেংনমকসু ৱারী শানবা হৌখ্রে হায়না ফোঙ-দোকপগা লোয়ননা নিকোলসননা হায়খি, টালিবানগী লোৎফমশিং মাঙহন-তাকহনবা হায়বসিনা অনৌবা পোলিসি মায় পাক্লবগী মরুওইবা পাম্বে ওইগনি।

# মাকাউদা টাইফুন মতুংগী রিলিফকী থবক্তা পি এল এগী লান্মীশিংসু য়াওশিনখ্রে

*মাকাউ, ওগষ্ট ২৫ (এজেন্সী):*

*মপাঙ্গল লৈরবা টাইফুন হাতোনা গেমব্লিং হবনি হায়না লৌনবা মাকাউদা অকনবা শাফুগা লোয়ননা শিৎচিনখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই মাপন শিখ্রে হায়বা খঙবা ঙমখিবগা লোয়ননা চাইনিজ আর্মিসু ইরাই নুমিৎতা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবকতা য়াওশিনখ্রে।*

*টাইফুন হাতোনা চাইনাগী খা থংবা শরুক্তা অকনবা শাফুগা লোয়ননা শিৎচিনখিবা মতুং পূং ৪৮ রোম কান্নরবা মতমদা খ্বাইদগী ফিভম থীনা শোকখিবা মাকাউদা মহৌশাগী ফিভম লাকহন্নবা কন্না হোৎনবা উখি। টাইফুন লাকপগা মরী লৈননা মাঙজৌননা শেম-শাবা ৱাৎপগীদমক্তা এনক্লীভ অদুগী গভর্নমেন্টবু ক্রিটিসাইজ তৌনখি।*

*অৱা-তেংবাংশিং পীবগী থবকশিংদা মতেং পাংনবা মাকাউ গভর্নমেন্টনা চাইনিজ ওথোরিটিশিংদা পীপলস লিবরেসন আর্মি (পিএলএ) গী মতেং পীবিনবা হায়জখ্রে। মদু কুমজা ১৯৯৯ দা সিটি অসিবু চাইনাদা শিন্নখিবদগী অসুম্না চাইনীজ ওথোরিটিশিংদা হায়জবা অহানবনি।*

*টাইফুন মতুংগী তেংবাং পীবা অমসুং শেমগৎ-শাগৎপগী থবক্কীদমক্তা পি এল এগী মাকাউ গরিসনসু মাকাউ গভর্নমেন্ট অমসুং মাকাউ পব্লিক্কী থবক্তা য়াওশিনখ্রে হায়না গভর্নমেন্টকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখি।*

*অয়ুক্তা ট্রুপ ১০০০ রোম মুবিলাইজ তৌখি হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি। মফম অদুগী মীওইশিংনা ট্রুপশিংগা লোয়ননা লম্বীশিংদগী অকায়-অতোইশিং লৌখৎমিন্নখি। ট্রুপশিংনা কম্প্যুটর ইক্বিপমেন্ট, গ্যেস সিলিন্দর য়াওনা আইটেম কয়ামুক লম্বীশিংদগী লৌখৎখি।*

*অখাম্বা কার অমদগী নুপা অমগী হকচাং লৌথোকখিবা মতুংদা টাইফুন হাতো শিৎলকপদগী সিটি অদুদা শিখিবা মী মশিং মাপন য়ৌখ্রে।*

*খা নোংচুপ থংবা চাইনাগী মপূং লমগী শরুকশিংদা মখা তানা মীওই নিপান অমসু শিখ্রে হায়বা খঙলে হায়রি।*

*মসি মাকাউগীদমক্তদি মপূং ফারবা মাঙ-তাকপগী ফিভম অমনি হায়না সিটি অদুগী মীদিয়া কম্পনি অমা ওইরিবা ও মীদিয়াগী চীফ ইগজেক্যুটিভ ওফিসর অন্দ্র্যু স্কোটনা এ এফ পিদা ফোঙদোকখি।*


GOVERNMENT OF MANIPUR
RURAL ENGINEERING DEPARTMENT/MSRRDA
Secured Office Complex (4th Floor), A.T. Line, North AOC, Imphal

NOTICE

Imphal the 25th August, 2017

No. 1/57/2008-MSRRDA/TOM/ :- Roll-out of Training Programme on Rural Roads Maintenance to Engineers and Contractors of MSRRDA to be conducted by the Master Trainers will be held on 29th and 30th August, 2017 at the Conference Hall of RED/MSRRDA with details as mentioned below:

i) 29-08-2017 – for Engineers – 9.30 A.M. to 4.30 P.M. (Lunch to be provided)
ii) 30-08-2017 – for Contractors – 9.30 A.M. to 4.30 P.M. (Lunch to be provided)

All concerned officials and contractors are requested for attending the training programme without fail.

Sd/-
Th. Nandakishore Singh
Chief Engineer cum E.O
RED/MSRRDA

HL-B/4090/26&27

KANGLEIPAK COMPUTECH (L & B GROUP)

Singjamei Thokchom Leikai, Imphal West, Near SBI Bank, Manipur-795001

Deals in : COMPUTERS, COMPUTER ACCESSORIES, LAPTOPS, CCTV, PC GAMES, PRINTERS

Cheap & Best

Sales & Service
+
CCTV Installation

Contact No. +91 7085163678, 0385-2441628
e-mail : kangleipakcomputech@gmail.com

Cheap & Best

LENOVO ASUS ACER HP TOSHIBA SONY SAMSUNG DELL

HL-P/2533/14to13 Sept.

HelpingHand Health Care

Keisampat Konjeng Hajari Leikai, Near: Oil Pump, Tiddim Road, Imphal West.

Phone: 7085500324 / 0385-2051738

Acupressure and Massage Treatment

OPD DISCOUNT

25% for 50 yrs. and above & 40% for BPL Family
Time from 6 a.m. - 2 p.m.

* খ্বাঙ নাবা, * লু-তাং চিকপা, * কলাপ মরী শোনবা,
* পেরালাইসিস, * কোক চিকপা, * খোঙ-খূৎ চিকপা-নাবা ..etc

- FIRST COME FIRST SERVE - " COME AND BE HEALED "

HL-B/4076/15to30

HELPINGHAND GROUP

Rs.4,00,000/- (4 Lakh)

Lottery cum Tender - STOP PAYMENT SAVING SCHEME -

Half Monthly (2wise Draw in a month)

1. Per Draw Amnt. Rs.1000/-@ Lottery WINNER Rs. 4 Lakh.
2. Per Draw Amnt. Rs. 500/-@ Lottery WINNER Rs. 2 Lakh.

Few Shares are remaining - Join till 5th September 2017

অপীকপা শেন্দোইদা GROUP শোনসু পীজরি, লৌবীয়ু

HelpingHand Finance Service ( Office hrs. 10 pm - 5pm ) Please Visit Office.
( Govt. Registered) Head office: Paona Bazar, The Manipur Women's Co-operative Bank Building, Imphal, Phone. 0385-2051738/ 8974877505

HL-B/4076/13to27